# ঙসি কংলৈ নুপীশিং অমসুং ময়ায় কাবা চীঞ্জাক

চাইবী চনু


**মালেম** অসিদা ময়ায় কাবা চীঞ্জাক চাদবা খুন্নাই অমত্তা লৈরক্তে। খুন্নাই অমা চাউখৎলকপদা ময়ায়কাবা চীঞ্জাক অসিসু অদুমক য়াওরকই। অদুবু ময়ায় কাবা চীঞ্জাক অসিনা খুন্নাইবু মাঙহনবা পোৎশক অমদি ওইরি। ঙল্লিঙৈ মতমদগী হৌরগা মীওইবা কাঙলূপ অয়াম্বনা ময়ায় কাবা চীঞ্জাক অসি ফোঙনা অমদি লোন্না শীজিন্নরকই। ময়ায় কাবা চীঞ্জাক ওইরবসু মফম-মতম চানা চং য়াম্না নেম্না শীজিন্নে। অদুনা খুন্নাইদা ময়ায় কাবা চীঞ্জাক শীজিন্নবনা থোইনা অকায়বা, অমোৎপা, অকি-তুজুংনিংঙাই ওইবা থৌদোক-ৱাথোক, মীশি-মীনা থোকপগী পাউ তারমদে, ময়ায় কাবা চীঞ্জাক শীজিন্নবগীদমক খাঙঙুথক্তা পূন্সি লোমখিবা শোন্দম-নাদম্বা, অফ-ফৎত খঙদ্রবা, খন্ন-তান্নবা য়াদ্রবা, ইমুং-মনুং কাং-খোং চাইহনবা মীওই লৈরমদে। অদুবু কুমজা ১৮৪০-৪২ অসিৱাইদদি ময়ায় কাবা চীঞ্জাক অসি লৈপাক অমা লোই চন্নবগী অচৌবা খূৎলায় ওইরকপদগী চাইনাদা ওপিয়ম ৱার থোকখি। বৃটিশ অমসুং য়ু এস এনা চাইনা লৈপাকপু খুদুম চন্নবা চাইনাদা কানি থাজিল্লক্তুনা চাইনাগী নুপা অয়াম্বা কানিদা লায়চুখিদুনা চাইনাগী খুন্নাইদা ফৎতবা থৌদোক-ৱাথোক হেনজিল্লকপা নুপা অয়াম্বা মীথিবোং-মীতম্বাল মীফৎত ওইশিল্লকপা অমসুং নুপীশিংগী লমচৎ-শাজৎ মাঙলক্তুনা চাইনাগী খুন্নাই অদু তপ্পা তপ্পা লৈখা তারকই অমদি বৃটিশকী মীখা পোন্না লৈনবগী অচৌবা মরম অমা ওইরকই। হায়বদি মীরৈবাকপু ঙাক শেন্দুনা থমগদৌরিবা চাইনা নুপাশিং অয়াম্বা কানি পীজদুনা পঙথহল্লি, মরৈবাক নুংশিবা, কন্নিংবা ফাওহন্দরে। ময়ায় কাবা চীঞ্জাককী নুংঙাইবা ঈপাক্তা তাউদুনা লৈহল্লি। অদুবু নিংথৌ Li. Si. Su (Lin Tse Hsu) না চাইনাগী খুন্নাই অসি মাঙবা তারে হায়বা ঙন্না খঙহৌবদগী লল্লোনবগী নামাদা চাইনা লৈবাক্তা লোই শন্দোকপা য়ানবা চঙশিল্লক্লিবা বৃটিশ অমসুং য়ু এস অনীগী মথক্তা ওপিয়ম ৱার তৌখি। চাইনা মশামক্কী ময়ায় কাবা চীঞ্জাক চাবা অমদি লল্লোনবশিংবু ফাদুনা জেলদা থম্বা, ফূবা, হাৎপা ফাওবা য়াওনা লান তৌদুনা চাইনাগী খুন্নাই অদু কলহৌবনি। মালেমনা খঙনরবা ময়ায় কাবা চীঞ্জাককী মায়োক্তা চংখিবা ওপিয়ম ৱার অসিগী মতুংদা চাইনাগী খুন্নাইদা ময়ায় কাবা চীঞ্জাক চাবা, লল্লোনবা মীওইশিং শুক্লে লৈত্রে হায়বদি লানগনি। হৌজিক হৌজিকসু চাইনাগী খুন্নাইদা ময়ায় কাবা চীঞ্জাক শীজিন্নবা মীওইশিং অমসুং লল্লোনবশিং লৈরি। অদুবু মখোয়গী লৈঙাক মপূশিংনা ময়ায় কাবা চীঞ্জাক চাবশিং অমসুং লল্লোনবশিংবু ফাদুনা চৈরাক মখল কয়া পীবা ঙসিসু লেপত্রি। চাইনা লৈবাক্তা নত্তে ঙসিদি মালেমগী লৈবাক পূম্নমক্তা ময়ায় কাবা চীঞ্জাক শীজিন্নবশিং অমদি লল্লোনবশিংনা তাহে উহৈদ্রবা থৌদোক-ৱাথোক কয়া থোকহন্দুনা মীচম মীয়ামদা চৈনা-চৈথেং পীদুনা অৱাবা নংহনদবা লৈবাক য়াওশিল্লক্তরে। অদুনা হৌজিকতি মশা মশাগী লৈবাক মপূশিং য়াওনা ময়ায় কাবা চীঞ্জাক থিংননবা থৌরাং কয়া তৌবা হৌনখ্রবনি। অফগানিষ্টান লৈবাক্তদি ময়ায় কাবা চীঞ্জাক থিংনবা মিনিষ্টর ফাওবা থমখ্রবনি।

মালেমগী মফম অতৈদা তৌরকপগুম পীল্লবা চীংলৈবাক কংলৈপাকতসু য়াম্না ঙল্লিঙৈ মতমদগী হৌদুনা চীংদসু তমদসু ময়ায় কাবা চীঞ্জাক শীজিন্নরকই। য়ু, হিদাকমনা, গঞ্জা অসিনচিংবা। য়ু অসি থল্লবসু য়ুথক খঙনা থল্লম্মী। লৈবাক্কী অচৌবা মায় পাক্লবা অমদি লাইগী থৌরমশিংদনা অয়াম্বা শীজিন্নে। হিদাক মনাদি মফম মতম লৈতে, নুমীৎ খূদিংগী শীজিন্নে। পাখঙনা লৈশাবীগী ময়ুমদা কোয়বা লাকপা ফাওবা লৈশাবীশিংনা পাখঙশিংদা হিদাকফূ খূদোং অমসুং পান্না লান্দুনা থৌগল তৌবা চৎনরম্মী। অদুনা য়ুম খূদিংগী হিদাকমনা অসি চহী অমা শীজিন্নবা কোন্ননবা থানরম্মী। য়ু, গঞ্জাদি অখন্নবা মফম খরদা থারম্মী, শুংলম্মী। ঐখোয়না শীজিন্নবা য়ুম খূদিংগী হিদাকমনা থাবগী চৎনবী লৈরম্বা অদু হৌজিক্তি মুৎখরে। হিদাক মনা থাদ্রবনিনা হিদাকমনা শীজিন্নবা তোল্লব্রা হায়বদুদি নত্তে, হৌজিক্লা হেন্নদুম হিদাকমনা অমদি মখল কয়া য়াওবা ময়ায় কাবা চীঞ্জাক মখল কয়া মপানদগী লমদম অসিদা থাজিল্লক্লি। মদুবু য়াম্না পাম্নরনা নুপী-নুপা, অঙাং-অহল খাক্তনা পাক্তক্না চানরি। অমরোমদনা মালেমগী অখঙ-অহৈ পূম্নমক্লা হিদাক মনা শীজিন্নবনা কেন্সর নাহল্লি অদুনা হিদাকমনা শীজিন্নবা ফৎতে শীজিন্নরোইদবনি হায়দুনা মালেম শীন-থুংনা লাউরি, এৱ্রেরনেস কয়া পীদুনা মীয়ামদা খঙহল্লি। হিদাকমনা শীজিন্নবা ফৎতে খঙলবসু মদুদা অকিবা, মীপাইবা অমত্তা ফাওদনা মচা-মশু শেম্বগী থৌদাং চাউনা লৌরিবা নুপীশিংনা নুপাশিংদগী ক্বা, জর্দা, খৈনি, টলপ চাবা নোংম নোংমগী হেনগৎলক্লি, লেম্নরক্লি। মসিনা নুপীশিংগী মশা ফৎহন্দে, রিপ্রদক্শনদা অকায়বা ওইরকই। ইরমদম অসিগী য়ু শুংলিবা চীংগী খুলশিংদসু চীংমী নুপীশিংনা অয়াম্বা য়ু শুংঙি, য়ু শুংলিবা তম্পাক্কী খুঙ্গংশিংদসু নুপীশিংনা অয়াম্বা য়ু শুংঙি। অদুগা নুপাশিংনা য়ু অদু থকই, ঙাওই। চমজরবা নুপী-অঙাং, মমা মপা মচিল-মনাওশিংদা ওৎ-নৈবী, ফূনৈ-চৈনৈ, হাৎনা-শুনবা ফাওবা য়াওরকই। য়ুদা লায়চুরবা নুপা অমা লৈবদা ইমুং অদু তংদু লৈতানা লৈবা ঙমদে, মচা-মশু শেম্বা ঙমদে। ময়ুম-মকৈ পান্দুনা মচা-মশু লৈরবা নুপাশিং, পাখঙশিং, অমদি মহৈ-মশিল তম্লিবা মহৈরোয়শিং ফাওবা নোংমা-নোংমগী য়ুদা লায়চুবা হেনগৎলক্তুনা য়ূমলিং-খুললিংবা ঙমদ্রবা ইমুংগী মশীং থিঙমদনা হেনগৎলকপা, খুন্নাইদা কিনিংঙাই ওইবা ৱাথোক-লান্থোক হেনগৎলকপা অসিদা মরৈবাকপু কঞ্জনিংবা ইফুরুপপু মুৎহন্নীংদবা শোঞ্জরবী, মহৈ-মশিল মতীক চানা হৈজদ্রবী, ইমা-ইবেল, ইচে-ইনেমশিংনা কুমজা ১৯৭৫দা নিশাবন্দ লূপ শেমদুনা খুঙ্গং খুঙ্গংদা লৈকায় লৈকায়দা ময়ায় কাবা চীঞ্জাক য়ু থিংবগী ঈহৌ তৌবা হৌরকখি।

অহিং নুংথিল খঙদনা অৱা-অনা থিদনা নিশাবন্দ তৌরিবী ইমাশিংনা অরৈবা পাঙ্গল পুথোক্তুনা ইরমদম অসিদগী য়ু শুংবা, য়োনবা, থকপা মরূ ফংনা মুথৎখিনবা হোৎনরকখি। অদুগা অমরোমদনা ইরমদম অসিগী লৈঙাক মপূশিংনা অহোয়নদুম য়ু শুংলিবা মীওইশিংদগী থাগী টেক্স লৌদুনা মনীং তৌনা য়ু শুংহল্লি, য়ু শুংলিবা মীওইশিংদা মতেঙ পাঙশিল্লি। খুন্নাই অসিবু কনগদৌরিবা নিশাবন্দ ঈহৌ তৌরিবী ইমাশিংগী মায়োক্তা লৈপাক মপূশিংসু লৈখি। লৈঙাক মপূশিংদা নত্তনা ইরমদম অসিগী য়াইতোং-খমদোং, অখঙ-অহৈ, মথৌনা ফরবা মপারিশিং কয়ানসু নিশাবন্দ ঈহৌ তৌরিবী ইমাশিংদা মতেঙ পাঙবীখিদে। য়ু শুংবা, য়োনবা, থকপা থিংবা অসি ফৈ খঙলবসু ঈহৌদা য়াওশিন্দুনা থৌদাং লৌনিংদনা নাকন্দা থৈদোক্লগা নিশাবন্দগী ঈহৌ অসি ফৈ-ফৎতে নৈনদুনা লৈনখি। লমদম অসিগী য়াইতোং-খমদোং, অখঙ-অহৈ অমদি মীয়ামগী মতেঙ পাঙদবদগী নিশাবন্দগী ঈহৌ অসি নোংমা-নোংমগী শোন্থরক্তুনা ঙসিদি ঈহৌ অদু মুৎখরে হায়বা য়ারে। নিশাবন্দগী ঈহৌ অসি শোন্থখিবদগী ইরমদম অসিদা য়ু শুংবা থকপা, য়োনবা অসি ঈশিং ঈচাউগুম নোংম-নোংমগী হেনগৎলক্লে। নুপাখক্তা থল্লরম্বা য়ু অসি হৌজিক্তি মৌনহা লৈশাবী অমদি অহল ওইরবা হনুবী ফাওবা য়ু থকপা, য়ুদা লায়চুবা য়াওরক্লে। মীয়াম তিনবা ইম্ফাল ময়োলমক্তদা ফনেক ময়েক নাইবী শেৎপী মৌ নহানা য়ু তপ তানা থকজিল্লগা চৎপা ঙমদদুনা লম্বীগী অমোৎপা চিদাইদা লোংনা তাদুনা লৈবা ফাওবা য়াওরক্লে। নুপী খরদি চাকচা-হৈজান্নবাদা য়ুঙাং, য়ুঙৌ য়াওনরক্লে। ইরমদম অসিদা শুংবা য়ু ফাওবা থিংবা ঙমদ্রিঙৈ অসিদা মপান লমদগী য়ু মখল-মখল, নম্বর-ফোর, ময়ায় কাবা চীঞ্জাক ওন্থোকখ্রবা গুলি মখল-মখল, হিদাক মহি মখল-মখল, কানি অসিনচিংবা পল থিংবিদ্রবা অকনবা ঈচেলগুম মায়কৈ খূদিংদগী ইরমদম অসিদা লেপ্পা লৈতনা চেনশিল্লক্লি। লমদম অসিদা ময়ায় কাবা চীঞ্জাক মখল কয়া মরাং কাইনা ফংলবনিনা নৌরিবা মহৈরোয়শিং পাক্তক্লনা ময়ায় কাবা চীঞ্জাক গুলী, নম্বর ফোর অমসুং য়ুদা ঈরাক্লন্দুনা মখল কয়াগী লায়না অমসুং ঐচ আই ভি/এইদসকী লায়না নারক্তুনা নহা ওইরিবা মীওই লীশিং কয়া লমদম অসিদা শিখ্রে, লীশিং কয়ামসু অশিবনা ঙাইদুনা লৈরি। ময়ায় কাবা চীঞ্জাক শীজিন্নবা মীওইশিংনা মশা মশা মাঙজবদা নাত্তনা ইমুং-মনুং অমসুং খুন্নাইদসু তমথিবা তুক্কৎচনিংঙাই ওইরবা থৌদোক-ৱাথোক কয়া ইরমদম অসিদা নোংম কাংদনা থোকহল্লি। নৌরিবা নুপীমচা কয়া রেপ তৌবীরি, লৈশাবী মচল-মচে, মমা মন্দোল কয়াসু রেপ তৌবীরগা হাৎতোকপীবা, সনা মচেৎ অমগী করিসু খঙজদ্রিবা পীল্লিবা অঙাং হাৎপা অমসুং ইমুং-মনুংগী পোৎ হূরানবা হেনগৎলক্লি। অসুম্না ৱারক ৱাতেম্নবগী চৎন-কাঙলোনগী মথৌ ফজনা তৌদ্রবা ৱারকপীনবা, কনবীনবা কনাসু লৈত্রবা মপূ পান্দ্রবা ঐনা ঐনা তৌনিংবতা তৌবা য়ারবা লমদম অমা ওইদুনা ইরমদম অসিদা খুন্দারিবা ফূরুপ অসি মুৎকদবগী ঙাইদুনা লৈরবা মতম অসিদা মরৈপাকপু কন্নীংবা

ইরৈবাক্লা নোংম নোংমগী কাং-খোং চাইরক্লিবা, শিরুম-নারুম্লবা মীওইশিংনা খূৎলিংবা খুন্নাই অমা ওইরল্লবা ফীভম অসিদা ইরৈবাক অসিবু থম্মোয়শেংনা কন্নীংবা, নুংশিজবা, ইফুরুপ অসিবু মুৎখ্রগনি মিপাইজবা মহৈ-মশিল খ্বাইদগী হেন্না হৈরবা অচৌ-অশাং, য়াইতোং-খমদোং অমসুং লৈবাক্কী চূপ্লি পায়রিবা মন্ত্রী-মন্দলশিংগী মরক্তগী ময়ায় কাবা চীঞ্জাক্তা ঈরাক্লরিবা ইচা-ইশুশিংবু কনবীবা ঙম্বা চাইনাগী নিংথৌ Lin Tse Hsu গুম্বা লুচিংবা ঙম্বা মীওই অমা ফাওবা ইরমদম অসিদা পোক্তবরা, লৈত্রবরা?

অমসুং ফূরুপ অসি মালেমদগী মুৎখ্রনি হায়না মিপাইজবা খ্বাইদগী শোনবা মহৈ-মশিল মপূংফানা হৈবা ৱাৎপা নুপী নুপাশিংনা লুচিংবা নিশাবন্দ ঈহৌগুম্বা এন জি ও খরা শেমগৎতুনা ময়ায় কাবা চীঞ্জাক থিংবগী ঈহৌ তৌবা অমুক হৌরক্লে মরৈবাক নীংতম্বগী ঈহৌ তৌরিবা য়াওল্লুপ খরনসু ময়ায় কায়বা চীঞ্জাক চাবা, লল্লোনবা মীওইশিংবু মখোঙদা নোংমৈনা কাপ্পা, ফূবা অমসুং হাৎপা ফাওবা তৌদুনা ময়ায় কাবা চীঞ্জাক লমদম অসিদগী মরূ ফংনা মুথৎকনি হায়না অসিগুম্বা থবক কয়া চংখরক্লি। এন জি ও শিং অমসুং য়াওল্লোয়শিংনা চংখরক্লিবা ময়ায় কাবা চীঞ্জা থিংনবগী ঈহৌ অসিসু ইমা ইবেলশিংগী নিশাবন্দগী ঈহৌগুম অচৌ-অশাং য়াইতোং-খমদোং, লৈপাক মপূ অমসুং মীয়ামশিংনা শৌগৎতে মতেঙ পাঙশিনদে। ঈহৌ অসি ফৈ-ফৎতে নৈনদুনা ঙসিসু য়েংদুনা অদুমক লৈরি। ইরৈবাক্লা নোংম নোংমগী কাং-খোং চাইরক্লিবা, শিরুম-নারুম্লবা মীওইশিংনা খূৎলিংবা খুন্নাই অমা ওইরল্লবা ফীভম অসিদা ইরৈবাক অসিবু থম্মোয়শেংনা কন্নীংবা, নুংশিজবা, ইফুরুপ অসিবু মুৎখ্রগনি মিপাইজবা মহৈ-মশিল খ্বাইদগী হেন্না হৈরবা



ওপিয়ম ৱার তৌদুনা বৃটিশ অমসুং আমেরিকাদগী চাইনাবু কনখিবা চাইনাগী নিংথৌ Lin Tse Hsu

অচৌ-অশাং, য়াইতোং-খমদোং অমসুং লৈবাক্কী চূপ্লি পায়রিবা মন্ত্রী-মন্দলশিংগী মরক্তগী ময়ায় কাবা চীঞ্জাক্তা ঈরাক্লরিবা ইচা-ইশুশিংবু কনবীবা ঙম্বা চাইনাগী নিংথৌ Lin Tse Hsu গুম্বা লুচিংবা মীওই অমা ফাওবা ইরমদম অসিদা পোক্তবরা, লৈত্রবরা? কয়াম কুইনা অসুম্না লোৎতুনা, য়েংদুনা লৈখিগনি। ময়াই কাবা চীঞ্জাক শুংলিবী অমসুং লল্লোনলিবশিং নখোয়না ঐখোয়গী চাদা-নাউদা তাদুনা য়ূমলিং-খুল্লিংদুনা লৈহৌগদৌরিবা নৌরিবা ইচা-ইশুশিংবু ময়ায় কাবা নিশাগী ঈপাক্তা ঈরাক্লহন্দুনা হাৎতোপীরগা নখোয়গী নুংঙাইববু করিনো? করিবু কান্নগদৌরিগে মীওইবা খুন্নাইনা মুৎখ্রবদা। নখোয় খরা লৈহৌবা য়াগদৌরিবা? নখোয় নখোয়গী নচা অসি কলহৌসি, ঐখোয় মালেম অসিদগী মাঙখিরোইসি, ঐখোয় অমসু হন্না অমসুং লল্লোনলিবশিংনা ফৎতবা থবক অদু থাদোক্ল বগী ৱাখল খনবা মতম য়ৌরে। লোয়ন- লোয়ননা ইরৈপাক অসিনা মরৈপাকপু নুংশিজবা মফূরুপপু কন্নীংবা থম্মোয় শেংবা চাইনাগী নিংথৌ Lin Tse Hsu গুম্বা লুচিংবা মীওই অমা থোক্লকপা মথৌ তারে অৱা-অনা নংলবা মীয়াম্না লুচিংবা মীওইদুবু খৌরাংনা ঙাইরি।❍

# মণিপুরগী শগোল কাঙজৈ

নিংথৌখোংজম তোম্বী রাজ

*(ঙরাংগী মখা, অরোইবা শরুক)*

কুমজা ১৮৯১ দা ইংলেন্দগী হাওস ওফ লোর্দস (পার্লিয়ামেন্ট) তা বীর টিকেন্দ্রজিৎ অমদি থাঙ্গাল জেনরেল অনীবু থৌরি য়ান্দুনা হাৎখিবসি চুমই অমদি চুমদে হায়না য়েৎনবগী মতাংদা Marquess of Rippon না মণিপুরবু পার্লিয়ামেন্ট মেম্বরশিংদা শকতাকপদা অসুম্না হায়খি,

"It is a small state (Manipur), probably untill these events took place very little known to your Lardships, unless, indeed some of you may have heard of it as the birth place of Game Polo..."

দি গীইনিস বুক ওফ রেকোর্দস (১৯৯১ খূৎফোং) গী লামায় ২৮৮ দা অসুম্না ইরি,

"Polo : Origins : of Polo can be traced to origins in Manipur State C. 3. 100 B.C. When it was played as "Sagol Kangjei" Other claims are of it being of Persian origin having been played as Pulu C. 525 B.C. the game was introduced to British officers at Cachar by the Manipur Maharaja, Sir Chandrakirti Singh. The earliest Club was the Cachar Club founded in 1859 in Assam, India. The oldest Polo club in the World still in existence is the Calcutta Polo Club (1862). The game was introduced in England from India in 1869 by the 10th Hussar at Aldershot, Hants and earliest match was the one between the 9th Lancers and the 10th Husars at Hounslow Health, Greater London in July, 1871. The earliest international match between England and the USA was in 1886. The game's governing body is the Hurlingham Polo Association, which drew up the first English rules in 1875."

হৌজিক শান্নরিবা শগোল কাংজৈ (মোর্দন পোলো) অসি বৃটিশ ওফিসারশিংনা কাছারদা লৈবা মণিপুরী খুঙ্গংশিংদা মণিপুরী শগোল কাঙজৈরোয়শিংনা ইহান হান্না শান্নরম্বা উখি। মখোয়না মণিপুরীশিংদগী মশান্না অসি তমখি। বৃটিশশিংনা মফম অদুদা মালেমগী ইহান হানবা পোলো ক্লব "সিলচর কাঙজৈ ক্লব" হায়না মমিং থোন্দুনা কুমজা ১৮৫৯ দা লিংখৎখি। মতুংদা কুমজা ১৮৬২ দা হৌজিমক হিংদুনা লৈরিবা মালেমগী খ্বাইদগী লীরবা "কলকাটা পোলো ক্লব" বৃটিশ ওফিসারশিংনা লিংখৎখি হায়বা ৱাফম অরিবা রেকোর্দশিংদগী ফংলি। মালেমগী ইহান হানবা পোলো ক্লব অসি সিলচর পোলো ক্লব হায়বদুনা "সিলচর কাঙজৈ ক্লব" হায়রল্লিবা অসিনা তাকপদি পোলো মশান্না অসি শগোল কাঙজৈগী অতোপ্পা বৃটিশশিংনা কৌনখিবা মমিংনি হায়বা তাক্লি।

মশান্না অসি মণিপুরগী চেংলৈ কাঙলূপকী লাই ওইরিবা মার্জিংগা য়াম্না নক্লবা মরী লৈনৈ। মণিপুরীশিংনা থাজনৈ মার্জিংদা শগোল অমদি কাঙজৈ কৎলবদি মীওইবগী অনীঙবা অপাম্বা অদু থুংই। মরম অদুনা মার্জিংগী খুভমদা শগোল মশা পানবা, মশা পান্দবা কয়াগী শকক্তম অমদি কাঙজৈ কাঙহু ফজনা মমল চঙনা শারগা হৌজিকসু কৎনরি। মণিপুরগী উমংলাই হরাওবদা লাই নুপী থিবা হায়বা তাঙ্কক অমা য়াওরি। লাই নুপী থিবদা লাইনা খল্লে হায়না থাজনরীবী নুপী অদু মাইবীনা শগোল কাঙজৈগী কাঙহু পায়রগা কোৎপা চৎনৈ। শগোল কাঙজৈগী মতাংদা ইরম্বা অরিবা লাইরিক কয়া *থাঙমৈরোল, কাঙজৈরোল, চৈথারোল কুম্বাবা* অসিনচিংবা মমণিপুরদা ফংই। লাইরিকশিং অসি পারগা শগোল কাঙজৈগী মরমদা হেন্না কুপশিন্না খঙবা ঙমগনি। শগোল কাঙজৈ মণিপুরদা শান্নবগী মওং অনী থেংনৈ অহানবদা "পাকচন" অমদি অনীশুবদা "পানা" অসিনি।

**পাকচন শগোল কাঙজৈ ঃ**

খূৎশান্না অসি য়াম্না লীরবা অমদি নুংঙাইরবা খূৎশান্ননি। মায়কৈ অমদা কাঙজৈরোই য়াঙ্খৈ/য়াঙ্খৈ নৎত্রগা চামা/চামা লেপ্পুনা য়াম্না চাওরবা লমহাংদা শান্নবগী মওংনি। পাকচন শগোল কাঙজৈ অসি মতম অমদা লম চাওনা লৈরিঙৈ অমদি শগোল মরাং কায়না লৈরিঙৈদা শান্নরম্বগী ৱা লাইরিক অমদি পেনা শৈশকপশিংনা শৈথাবদা থেংনৈ। অইবা ওইনা "চৈথারোল কুম্বাবা" দা খরা থেংনৈ।

কুমজা ১৯০১ দা মণিপুরদা লাক্লম্বা বৃটিশ ইন্দিয়াগী ভাইসরোই লোর্দ কর্জননা ইরম্বা লাইরিক "এ ভাইসরোইস নোট বুক" কী তাঙ্কক "দি ক্রেদল ওফ পোলো" গী শরুক্তা অসুম্না ইরি ঃ- "The game that I show was one of ten a side..." শগোল কাঙজৈ শান্নবদা মায়কৈ অমদা কাঙজৈরোই তরা/তরা থোক্তুনা শান্নবা খূৎশান্না অসি পাকচন শগোল কাঙজৈনি।

চৈথারোল কুম্বাবা (অহানবা খূৎফোঙ) গী লামায় ৫০ দা নিংথৌ চরাইরোংবগী মতম শকাব্দ ১৬২০ পোইনু ৭ নি পানবদা লাইনিংথৌ চরাইরোংবা মশা য়াওনা মী তরানা মায়কৈ অমদা থোক্লগা মদুগী মায়োক্তা অতোপ্পা মায়কৈ অমদা কাঙজৈরোই চামা থোক্তুনা শগোল কাঙজৈ শান্নবদা কাঙজৈরোই তরা লৈবা মায়কৈনা ঙমদুনা ইরোই কোংনবগী ৱা অসুম্না ইরি ঃ- "৭ নি নিংথৌকাবদা নিংথেম্নচিংনা মী ১০ দা মী ১০০ সুপহন্দুনা কাঙজৈ নাইএ। মী ১০ না ঙমএ। মী ১০০ না ইরোই অমা শাইয়ে।" মথক্কী খূৎশান্না অসিসু পাকচন শগোল কাঙজৈগী মওংনি।

**পানা শগোল কাঙজৈ ঃ**

চৈথারোল কুম্বাবদা পানা শগোল কাঙজৈ নিংথৌ খাগেম্বনা কুমজা ১৬০৬ তা হৌদোকখিবগী ৱা থেংনৈ। পানা কাঙজৈ পাকচন কাঙজৈদগী য়াম্না হেন্না মওং তাবা অমদি য়েংবা নুংঙাইবা খূৎশান্না ওইনবা নিংথৌ অসিনা হৌদোক্লম্বনি। মণিপুরবু নিংথৌনা পানা তরুক থোক্লা খায়দোক্তুনা লৈঙাক থৌদা লায়নবা থৌরাং তৌরম্মী। লৈপাক অসিদা লৈরিবা মীওইশিং মাগী মাগী শাগৈ মতুং ইন্না নিংথৌনা পীবা শীনফমগী মতুং ইন্না পানা খায়বগী মওংনি। পানা মখল অনী লৈ। অৱাংবা থাক্কী পানা অমদি অনেম্বা থাক্কী পানা। পানা অমমমনা শেৎকদবা ফিরোলগী মচুসু অকক্লবা পানাশিংদা নিংথৌনা পীরম্মী। অৱাংবা থাক্কী পানা মরি লৈ। মখোয়শিং অদুদি ঃ-

**অৱাংবা থাক্কী পানা - মখোয়না শেৎকদবা ফি মচু**

১) লাইফম পানা - অঙাংবা
২) খাবম পানা - অশংবা
৩) অহল্লুপ পানা - অঙৌবা
৪) নহারুপ পানা - হঙ্গামপাল

অনেম্বা থাক্কী পানা অনী লৈ। মখোয়শিং অদুদি ঃ -
১) ইদাক ফানবা পানা (২) পোৎশংবা পানা।

**অনেম্বা থাক্কী পানা - মখোয়না শেৎকদবা ফি মচু**

১) ইদাক ফানবা পানা - অমুবা
২) পোৎশংবা পানা - হীগোক

অৱাংবা থাক্কী পানাশিংনা অনেম্বা থাক্কী পানাশিংগা পূন্না শান্নমিন্নবা য়াদে।

**চেরে কারে ঃ**

শান্নবা হেন্না হৈরবা কাঙজৈরোইশিং অৱাংবা থাক্কী পানা অনী লাইফম অমদি অহল্লুপতগী খনগৎলবা খূৎপুগা অতোপ্পা অৱাংবা থাক্কী পানা অনী খাবম অমদি নহারুপতগী খনগৎলবা অপুনবা কাঙজৈরোই খূৎপুগা শীংনদুনা শান্নবা শগোল কাঙজৈবু চেরে কারে হায়না খঙনৈ।

**পানা শগোল কাঙজৈগী চৎন-পরিং**

**১) শান্নরোয় ঃ**

ক) য়ামদ্রবদা শগোল তোংবা ফজনা হৈরবা মীওই ওইগদবনি।

খ) খূৎ ওই নামতমক শীজিন্নবা মীওই শগোল কাঙজৈরোয় ওইবা য়াদে।

**২) শগোল ঃ**

ক) শগোল শোইনাইবনা শগোল কাঙজৈ শান্নবা য়াদে।

খ) শগোল অদু মশা য়াম্না ফবা ওইগদবনি।

গ) শাগী অৱাংবদি অরেপ্পা অসুক ৱাংগদবনি হায়বা লৈতে।

**৩) খূৎপু (টিম) ঃ**

ক) কাঙজৈরোয় তরেৎ অমদি মখোয়গী শগোলশিংগা লোয়ননা কাঙজৈ খূৎপু অমা শেমগনি।

**৪) কাঙজৈবুঙ ঃ**

মপূং ফানা চাওরবা কাঙজৈবুংগী পাক চাওবদি ময়ুঙদা সনা লমজৈ ১৬০ অমদি মরাক্তা সনা লমজৈ ৮০ ওইগনি। (সনা লমজৈ অমনা শাংবসি চাওরাক্লা ফুট তরুক্কা মানৈ)। মরাক ময়ুং নাইবা নাপী ফজনা হৌবা লম্পাক ওইগদবনি। তৌইগুম্বসুং লম লমগী খুদোংচাবা য়েংলগা খরা পীকথবা নাপী হৌবা লম্পাক্তসু শান্নবা য়াই।

**৫) কাঙদ্রুম ঃ**

লীরবা মরুনা শাবা তুম্বক তুম্বা পোৎশক্লি। চাওরাক্লা মিলিমিটর ১০০ গী অকোয়বা অমসুং গ্রাম ১৫০ অমুক চাওরাক্লা লুম্মী।

**৬) কাঙজৈ ঃ**

চাওরাক্লা ফুট ৪.৫ অমুক শাংবা লীরবা লী অমদি মতোন্দা চাওরাক্লা ইঞ্চি ৮ মুক শাংবা লীরবা উনা মতোন্দা ফেল্লৈননা দিগ্রি ৪৫ গী চাংদা ফৈরপ লৌশিল্লগা হাপ্পা কাঙজৈনি। খূৎপাইফম অদু নালহন্দনবা শেল্লবা চৈ ওইগনি।

**৭) কাঙজৈরোইগী ফিজোল ঃ**

ফিজম নৎত্রগা ফিগেগী ফৈজোম খুউগী মথক্তা শেৎকনি। কোয়েৎ য়েৎলগা পানাগী মচু শঙলবা খদাংচেৎ লাক্কনি। মাগী মাগী পানাগী মচু শঙলবা ফুরিৎ শাইককপা লিৎকনি। খোংঙুপ তোংনদে। অদুবু খোঙ ঙাকথোক্লবা অথুপ্পা ফিনা নৎত্রগা শউনগী খুনিংখাঙ ফিজেৎনা য়েক্তুনা হাপকনি। খুরাই অমদি খুবোম শোক্তনবা অথাবা শউন নৎত্রগা ফিনা শাবা খোঙয়োম শীজিন্নগনি।

**৮) শাপোৎ ঃ**

মণিপুরগী অহল লমন্না শা মউনগা অমোনবা অথাবা ফিগা লোয়ননা লীরবা উকংগনা শেম্বা ময়াই কুথবা, মাঙ অমদি তুংদা খরা ৱাংখৎনা শেম্বা শাবল মখল অমনা শীজিন্নৈ। শাবল অমদি শগোল মনঙ্গল তাইনহন্দে। মরক্তা ফি অথুপ্পা অমা থাগনি। মদুবু "শানমখাঙ" কৌই। শাবলগী য়েৎ অমদি ওইদা শন্দং নৎত্রগা ঈরোই মউন্না শাবা, পাক্লা অমদি মতাই অনী কোনখৎনা শেম্বা "নাক" অনী য়ান্থগনি। মসিনা শান্নরোয়গী খোঙ অমদি শগোল অনীমক্কী ঙাকথোক্ল বা পাম্বৈ ওই। পুক্লিনা শাবল ফাজিনগনি। শাবলদগী খোঙনেৎ য়ান্থগনি। খুর্জি হাপকনি। শগোলগী মশা অমদি মমায়গী অরুবা মফমশিংদা লংজম্না শেম্বা মতুম তাবা "লালু" হায়না খঙনবা পোৎশক্লা লৈতেংসু ওইবা ঙাকথোক্ল বা পাম্বৈসু ওইবা মওংদা হাপকনি। শগোল মমায়দা হাপ্পা শা ঙাকথোক্লবা পাম্বৈ অদুবু শামায় কৌই। শাবলগী মনিং থংবা শরুক অদু শা মমৈদগী মৈরুং মখাদা য়েপশিন্নবা অফাইবা লংহি অমা শীজিন্নৈ। লংহি অদুবু "শামৈ হাপ্পা" হায়না খঙনৈ। চীনবুল লাক্কনি। থারী হাপকনি। শারাক শাজৈদি শউন্না নৎত্রগা ৱাশানা শেমগনি।

**৯) শান্নবগী মতম ঃ**

মণিপুরী শগোল কাঙজৈ শান্নবদা মতম অসুক য়াম্না শানগনি হায়বা লৈতে। কাঙজৈ শান্নদ্রিঙৈগী মমাঙদা মায়োক্লদুনা শান্নগদবা খূৎপু অনীনা লেপ্পা পাঙ্গল মশিংদা শগোল কাঙজৈ শান্নবগী মতম লেপ্লী। তৌইগুম্বসুং পাঞ্জল লেপ্পবা মতমদা য়ামদ্রবদা পাঞ্জল তরেৎ নৎত্রগা তরেৎতগী হেন্দবা য়াদে। লেপ্পনখিবা পাঞ্জল মশীং অদু শান্নরিবা নুমিৎ অদুদা চন্নবা ঙমদ্রগাদি মথংগী নুমিৎতা শান্নবা অদু চথদুনা মমাঙগী নুমিৎতা চন্নখিবা পাঞ্জল মশীং থারগা লেপ্পখিবা পাঞ্জল মশীং শুনবা শানবনা শগোল কাঙজৈ শান্নবগী মতমনি। অদুগা অহৈবা খূৎপুনা লেপ্পখিবা পাঞ্জলগী মশীং তম্থাই হেন্না চল্লবদি মখোয়না শান্নবা অদু থোইরে হায়না লাওথোক্লবা মতুংদা মখোয়গী অপাম্বা মতুং ইন্না শান্নবা লেপ্পা য়াই। লেপ্পবসু য়াই।

**১০) হুনত্রে হুনবা ঃ**

শান্নবা য়েংলিবা মীয়াম মরক্তগী অচৌ অশাং ওইবা মীওই অমনা মখোঙনা চঙলক্তুনা কাঙজৈ শান্নগদবা খূৎপু অনীমক কাঙজৈবুঙ ময়ায়দা শগোল তোংদুনা থৌজিল্লক্লবা কৌশিনগনি। মহাক্লা পাঞ্জল অচনবা খুদিংগী কাঙজৈবুঙ ময়াইদা কাঙদ্রুম ৱাংনা লংখত্তুনা শান্নবা হৌহন্নবা হোৎনগনি।

**১১) শান্নবা হৌবা ঃ**

হুনত্রে হুনবনা কাঙজৈরোয়শিং কৌশিল্লবা মতুংদা লেপ্প বা হায়গনি। মতুংদা শান্নবা হৌরো হায়বগী য়াথংগা লোয়ননা কাঙদ্রুম নোংথক্তা ৱাংনা লংখত্তুনা "হুনত্রে" হায়না অৱাংবা খোনফমদা লাওদুনা শান্নবা হৌরে হায়না খঙহনগনি। পাঞ্জল অচনবা খুদিংগী হুনত্রে হুন্দুনা শান্নবা হৌহনগনি।

**১২) পাঞ্জল চনবা ঃ**

কাঙজৈনা য়ৈদুনা নৎত্রগা খত্তুনা অমদি শগোলগী মশাগী শরুক অমনা থেংলবা নৎত্রগা চেল্লবা মতুংদা কাঙদ্রুম অদুনা কাঙজৈবুঙগী মরাক্কী পনখৈ (ময়ুংগী পনখৈ সাইদ লাইন নত্তবা) লান্থোক্তুনা চৎখ্রবদি পাঞ্জল অমা চল্লে হায়না লৌগনি। পাঞ্জল অমা চল্লে হায়বসি তাক্লবা মোইবুঙ অমুক্তং শাংনা খোংবা নৎত্রগা কাংশি অমুক্তং য়ৈরক্কনি। মতম অদুদা পাঞ্জল অমা চল্লে হায়না খঙগনি।

করিগুম্বদা কাঙজৈরোই অমনা য়াম্না হৈশিংনা অরোনবা অথুপ্পা মওংদা নৎত্রগা ফোংনা কাঙদ্রুম অদু মখূৎনা লংশিন দুনা কাঙজৈবুঙগী মরাক্কী পনখৈ গোল লাইন লান্থোকহনখিবা য়াওই। য়েংলিবা মীয়াম্না পাঞ্জল চল্লে হায়না উরবসু মদু পাঞ্জল নত্তে হায়না অশিল অরাংশিংনা লৌগনি। পাঞ্জল চনবা তারবদি কাঙজৈগী নৎত্রগা শগোলগী মশাগী শরুক অমা কাঙদ্রুম থেংলগা মরাক্কী পনখৈ (গোল লাইন) লান্থোকহনবা তঙাইফদে।

**১৩) পল্লোনবা (হাল্ফ টাইম) ঃ**

শান্নবগী চাওরাক্লা ময়াই চনশিল্লকপা মতমদা শান্নরিবা খূৎপু অনীগী হান্না লৈরম্বা মায়োল অদু ওন্থোক্লবগীদমক মতম খরগী ওইনা শান্নবা লেপহল্লি। মদুদা কাঙজৈরোইশিং অমদি মখোয়না তোংলিবা শগোলশিং পোথানবা খুদোংচাবা পী। মসিবু "পল্লোনবা" কৌই।

পল্লোনবা মতম অসিদা কাঙজৈ পামজবা কাঙবুনা অমদি কাঙজৈরোইশিংগী মরুপ মপাং, মরী মতাশিংনা শগোল কাঙজৈ য়েংলিবা অচৌ অশাংশিং, কাঙজৈরোইশিংদা হৈ-লৈ অচা অথক পুথোক্তুনা লাল্লি। মসিবু "পোৎলানবা" কৌই।

**১৪ ) য়াদবা/অরানবা (ফাওল)ঃ**

মমাঙঙৈগী মণিপুরী শগোল কাঙজৈদা থোইদোক্লা অচুম অরান থিনবা চৎনরমদে। ঙম্বা তৌখিবা অদু অচুম্বা ঙাক্তনি। ঙমহৌদবা অদু অরানবনি। হুনত্রে হুনবনা নোংথক্তা ৱাংনা হুনত্রে হুন্দুনা কাঙদ্রুম লংখৎপদা নৎত্রগা কাঙজৈ য়েংলিবা মীওইশিংনা মপান্দগী কাঙদ্রুম লংখৎলকপা মতম অদুগী মতুংদা কাঙজৈরোইশিংনা নোংথক্তগী হৌনা কাঙজৈনা য়ৈনবা হোৎনগনি নৎত্রগা খূৎনা কাঙদ্রুম অদু ওক্লবা হোৎনগনি। মদুদা শোকপা মরন্নাইনি। মশানা শোক্তনবা হোৎনজগদবনি। ঙমহৌদ্রগা লৈখাদা তাখ্রবা কাঙদ্রুম অদু চেন্নবা পাম্বৈ, কয়া শীজিন্নবা য়াই। কাঙদ্রুম অদু খূৎনা লৈমায়দগী খুনগৎপসু য়াই। করিগুম্বদা খূৎনা কাঙদ্রুম পায়বা ঙমখ্রবদি কাঙদ্রুম পায়রিবা শান্নরিবা শান্নরোয় অদুনা পাঞ্জনফম তম্না শগোল থৌরগা পাঞ্জনফম য়ৌদ্রিঙৈদা কাঙদ্রুম অদু খূৎনা হুল্লগা কাঙজৈনা খত্তুনা পাঞ্জল চনগনি। খূৎনা পনখৈ তম্না কাঙদ্রুম হুনজিন্দুনা নৎত্রগা লংশিন্দুনা (কাঙজৈনা শোক্তনা) পনখৈ লানখ্রবদি মদু পাঞ্জল ওইনা লৌবা য়াদে। পাঞ্জল মশীং থাদ্রবসু কাঙজৈবুঙ ময়াইদা অমুক হুনত্রে হুনবনা হুনত্রে অমুক হন্দুনা শান্নবা অদু মখা চথহনগনি। শান্নরিঙৈ মতমদা কাঙদ্রুমনা কাঙজৈবুঙগী মনুংদা পনখৈ লান্থোক্তুনা চৎখ্রবদি অনকপদা কাঙজৈ য়েংদুনা লৈরম্বা মীওইশিংনা কাঙদ্রুম অদু কাঙজৈবুঙ মনুংদা লংশিল্লক্কনি। অদুগা শান্নবা অদুম চথগনি।

মণিপুরগী নিংথৌ চূড়াচান্দ সিংহনা কুমজা ১৯২৮ দা শগোল কাঙজৈ চৎন পথাপ অমা শেমদুনা শা তুপ্পা (শা অমা কন্না মায়কৈ অমা তম্না থৌরিঙৈদা ফৈনা অমনা থৌজল্লকপবু শা তুপ্পা কৌই), হাইরৌ হায়বদি অতম্নুনা অতোপ্পগী কাঙজৈ কাঙহু কোৎপা অমদি অতোপ্পগী শা মথক্তা ৱাংনা কাঙজৈ কারন হায়বনচিংবা য়াদে হয়না অথিংবা পীখি। হৌজিকসু পানা কাঙজৈদা হায়রিবশিং অসি চৎন পথাপ ওইনা লৈরি।

**১৫ ) শান্নরোয় শিনবা ঃ**

শান্নরিঙৈ মনুংদা শান্নরোয় শিন্দোকপা অথিংবা লৈতে। কাঙজৈ খূৎপু অদুগী অশিল অরাংনা শান্নরোয় অমবু অতোপ্পা অমনা মহুৎ শিন্নবা থৌরাং তৌরগা হান্নগী শান্নরোয় কাঙজৈবুঙগী ৱাংমদা কৌথোক্লবা মতুংদা মহুৎ শিনগদৌরিবা অনৌবা শগোল তোংবা শান্নরোয় অদু কাঙজৈবুঙদা চঙহনগনি।

**১৬) ৱাখৈবা ঃ**

শগোল কাঙজৈ শান্নবা মতমদা য়েংলিবা মীয়াম্না য়াদুনা মৱা চৎপা লৈপাক্কী ৱায়েল মপু অমা, ফংদ্রগনা য়াইতোং খমদোংবা অমবু শান্নদ্রিঙৈগী মমাঙদা "কাঙবুরেল" হাপকনি। মহাক্লা মীৎয়েং অমদি ৱাখল খন্নবা লৈবা লোইননা লাল্লি। নৎত্রগা চুম্মী হায়বগী য়েৎনবা লৈরবা মতমদা কাঙবুরেলনা ৱায়েনগনি, অমদি ৱাখৈগনি। মহাক্লা ৱাখৈরকপা অদুনা অরোইবা ওইগনি মরম অদুনা অয়াম্বা মতমদা নিংথৌনা শগোল কাঙজৈগী কাঙবুরেল ওইনৈ। নিংথৌ লেঙলক্তুনা শগোল কাঙজৈ য়েংলবদি নিংথেমনা কাঙবুরেল ওইদবা য়াদে। অতোপ্পনা ওইবা য়াদে। নিংথৌ ফংদ্রগা মখোয়গী মরক্তগী খ্বাইদগী চাওবা শক্তি লৈবা মীওইনা কাঙবুরেল ওইগনি।

**১৭) শগোল কাঙজৈ, শান্নবা য়াবা অমদি য়াদবা মতম ঃ**

মণিপুরগী নাৎকা শগোল কাঙজৈগগী তৎনা থানবা য়াদ্রবা মরী য়াম্না কন্না থল্লম্মী। চহী অমদা থা খরদি শগোল কাঙজৈ শান্নবা য়াদে নৎত্রগা তৌহৈদে হায়না অথিংবা থম্মী। কুম অমগী ইঙেন ১২ নি পানবদা লাই চেপ্পগী থৌরম অমা পাঙথোকই। লাই চেপ্পদগী হৌনা শগোল কাঙজৈ শান্নবা য়াদে। কুম অমগী হীয়াঙ্গৈ থাগী ১২ নি পানবা নুমিত্তা লাই লেঙখৎলে। লাই লেঙখৎপা নুমিত্তগী শগোল কাঙজৈ শান্নবা হৌবা য়ারে। অদুবু অথেঙবা মতমদা নিংথৌনা অয়াবা পীদুনা খরা ঙনখৎনা মেরা থাদা শগোল কাঙজৈ শান্নবগী ৱাফম থেংনৈ। মসিবু মেরা কাঙজৈ হায়না খঙনৈ।

মথক্কী ইঙেল, থৱান, লাংবন, মেরা অমদি হিয়াঙ্গৈগী অহৌবা চয়োল অনীগুম্বা অসি শগোল কাঙজৈ শান্নবা লেপ্পল্লীবা অসি নুংগী ওইবা ৱাফমদি নোংজু থা মতমদা শগোল কাঙজৈ শান্নরবদি কাঙজৈবুং য়াম্না শোকহল্লি অমদি নোং চুবা মতমদা কাঙজৈবুঙ চোৎপা মরম্না শান্নবদা তুশিনগল্লি। তুশিল্লবদি শগোল অমসুং কাঙজৈরোই শোকপা য়াবগী খুদোংথিবা চাং য়াম্না ৱাংনা লৈ। অদুগীসু মথক্তা শান্নরিবা মশান্না অদু য়েংবদা নুংঙাইতে। য়াম্না তপ্পী। মরম অদুনা থা খরা অসি শগোল কাঙজৈ শান্নরমদে।❍

(*ৱাখল* দগী লৌথোকচবা)

পাউ চে অসিদা হাপ্পনবা মতম-মতমগী ৱারেং/শৈরেং/ৱারীমচা/চিঠিনচিংবা থাবিরকপশিংনা থাবিরক্লিবা অইবা অদু খূৎই নৎত্রগা নমথোক্লবা কোপি ওইনা পীবিরকউ। লোয়ননা ইবিরকপা মতমদা লামায় নাম্মতমক ইবিরকউ।

জেরোক্স কোপি ওইনা পীবিরকপশিংগীদি হাপ্পনবা খন্নজরোই। অদুগা ইবিরিবশিংগী মিং, লৈফম অমসুং কন্টেক্ট নম্বরসু ময়েক শেংনা হাপ্পীরকউ।

—*হুইয়েন লানপাউ গ্রুপ ওফ পব্লিকেসন্স*